HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন্না শীন্দুনা কোভিদ-১৯ এপ্রোপ্রিয়ট বিহেবিয়রগী মতাংদা এৱেয়র্নেস পীবগী রেল্লি চংখিবা



লামায় ৩

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে ২০২০ অমসুং নশা মুক্ত ভারত কেম্প্যেনগী এৱেয়র্নেস পীবগী থৌরম



লামায় ৩

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সোরাদা কোভিদ-১৯ থেংননবা চথরিবা জন অন্দলোন কেম্প্যেনগা মরী লৈননা খোঙচৎ চৎখিবা


লামায় ২

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম অগরতলাগী ধলেশ্বরদা থৌগন লূপনা শীন্দুনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী চহী ২২২শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা


লামায় ২


Vol. 44, Issue No. 206 | য়ুমশকৈশা, মেরাগী ৫ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, October 21, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# মরি লৈখিদ্রে, অপূনবা কেস মশিং লিশিং ১৬ হেনখ্রে

## জেনিমসকী ডোক্তর ১৪ অমসুং ও টি টেক্নিসিয়ন অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই লৈখিদবগী মশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়নননা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৪ লৈখিদ্রে। মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং লিশিং ১৬ হেনখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই মরি অদুদি নুপা ঙাক্তনি। মখোয় মরিগী মনুংদা অহুমনা শিজ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। অদুগা অমনা রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি চুড়াচান্দপুরদগী মশাগী চহী ৫৮ শুরবা মীওই অমা, থৌবালদগী মশাগী চহী ৭৯ শুরবা মীওই অমা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৬২ শুরবা মীওই অমা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৪১ শুরবা মীওই অমনি। মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মীশিং অসি ১২১ শুখ্রে।




কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৭৭ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেল ৭ পুন্না মীওই ২৮৪ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ১১, জেনিমসতা ৪৯, মাদরস ক্যেরদা ৫, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, ইসসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩, থৌবালদা ১১, নোনেদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ১০, কাংপোকপীদা ৭, চুড়াচান্দপুরদা ৯, তেংনৌপলদা ৬, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৫৮, জিরিবামদা ১, ইম্ফাল হোস্পিটালদা ৩৪, সিলমেটতা ৫, ইম্ফাল ইষ্টতা ১২, বিষ্ণুপুরদা ৫, ককচিংদা ১৪, সেনাপতিদা ১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২৪, এদভান্স হোস্পিটালদা ৫ অমসুং রাজ মেদিসিটিদা ১২ থেংনখিবনি।

নুপা ১৫৭ অমসুং নুপী ১২০ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই ২৭৭ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১০৯, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫৮, থৌবালদগী ১৪, উখ্রুলদগী ৩, জিরিবামদগী ১, নোনেদগী ১, কাংপোকপীদগী ৯, ককচিংদগী ১৪, তমেংলোংদগী ৩৪, চুড়াচান্দপুরদগী ১৫, তেংনৌপলদগী ৬, সেনাপতিদগী ১ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ১২ য়াওরি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই মরি নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী অতোপ্পা মীওই ২৭৩ দি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়নননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ১৬,০৬২ য়ৌখ্রে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৩,৩৮২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৬৮০ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ১২,০৫৯ শুরে। ফগৎলক্লবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯৭০৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৩৫৪ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৫.০৭ নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ৩৮৮২ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩৫৬০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩২২ য়াওরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই মরি লৈখিদবগা লোয়নননা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মশিংসু ১২১ শুখ্রে। মীওই ১৪৬ না লায়না-লাইচৎ অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# মীরেপচে পীশিনবগী মতম লোইখ্রে, ঙসি স্ক্রুটিনি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : লাক্লিবা নবেম্বর ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি মঙাগী মরক্কী মীখলগা মরী লৈননা মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইখ্রে। মরক্কী মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবশিংনা মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) শিংদা পীশিল্লকখিবা মীরেপচেশিংগী স্ক্রুটিনি ঙসি পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙ্গৈই এ সীগী ওইনা মরী লৈনবা আর ওদা মীরেপচে পীশিল্লকখ্রবশিং অদুদি, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ওইনা মিনিষ্টর ওইনাম লুখোই, নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী ওইনা খুরাইজম লোকেন অমসুং ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)কী ওইনা সলাম জয়নি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোং এ সীগী ওইনা নুপী অমা য়াওনা মীওই ৫না মরী লৈনবা আর ওদা মীরেপচে পীশিল্লকখ্রে। মীরেপচে পীশিল্লকখ্রবশিং অদুদি, এম দি অজিজুল হক খান, এক্স-এম এল এ অব্দুল নাসির, এম দি জাবর খান, ৱাই অন্তাস খান অমসুং ৱাংময়ুম রেস্মানি। এম দি অজিজুল হক খাননা আই এন সীগীনি। অদুগা এক্স-এম এল এ অব্দুল নাসির, এম দি জাবর খান, ৱাই অন্তাস খান অমদি ৱাংময়ুম রেস্মানা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখল থেংননবা মীরেপচে পীশিল্লকখি।

ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী ওইনা মীরেপচে পীশিল্লকখ্রবশিং অদুদি, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী পাওনম ব্রোজেন, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মোইরাংথেম হেমন্ত অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা এস মনাওবীনি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইটু এ সীগী ওইনা মীরেপচে পীশিল্লকখ্রবশিং অদুদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ঙমথং হাওকিপ অমসুং ইন্দিয়ন নেসনল ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## এক্সিদেন্টতা ১ শিরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোংলেনফাই ভিলেজদা মোটোর সাইকল পলসর অমদা মীওই অহুম তোংদুনা লাকপদা কার অমনা থেংলম্বদগী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই অমা শিরে, অনীনা শোক্তুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

ঙরাং নুমীদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং থাংমিলেন (৩৪), অপোকপা তাউথাং কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ন্যু লাইজাং ভিলেজদগীনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা চুড়াচান্দপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## গোদাউন রেইদ চথবদা য়াম্লবা খৈনি ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা গোদাউন অমা রেইদ চথবদা মফম অদুদা লোৎতুনা থম্লম্বা য়াম্লবা লুপা ৪,৫০,০০০ রোমগী হিদাক মনাগী পোৎলম ওইরিবা য়াম্লবা খৈনিশিং ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক্স সেলগী কাঙবুনা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থা অসিগী ১৮গী অয়ুক পুং ১১.২০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল এস পি (ওপস) রোনি ময়েংবম, এম পি এসকী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক্স সেলগী ও সী ইন্সপেক্টর কে ঐচ দেবকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সুনিল গোদাউনদা রেদ চথখি। গোদাউন অসি কুঞ্চ শাহ (৩৯), অপোকপা রামনাঠ শাহ কৌবা চোঙ্গাই, বুকসার দিষ্ট্রিক্ট বিহারদগী লাক্লগা হৌজিক্লা ইম্ফালগী টেলিপতিদা লৈবা অশানবা য়ুম অমদা লৈবনি।

মহাক ফাবগা লোয়নননা গোদাউন মনুংদা লৈরম্বা খাউ ২৫ ফংখি। খাউশিং অদুগী মনুংদা অমুক খাউ অমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## HL Poll

Q: Manipurda covid-19 pak sanna sandorakpa thingnaba total lockdown amuk hanna thamlakkani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Community transmissiongi thakta Covid-19 sandorakle hairabanina mahei tampham loishangsing hangdokpa chumde haina loubra?

Yes 100% No 0%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৫৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৪৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০১.৯৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৯

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!




# ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবশিং কন্ট্রোল তৌনবা ওর্দিনান্স ষ্টেট লৈঙাক্কী দাইভর্সন টেক্টিক্সনি : লূপশিং

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবশিং কন্ট্রোল তৌনবা ওর্দিনান্স ষ্টেট লৈঙাক্কী দাইভর্সন টেক্টিক্সনি হায়না তোঙান-তোঙানবা লূপ ১৮না ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল), অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাং লূপ (এইমস), কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা), কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পৱারমেন্ট (কোন), দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), ইরমদম কনবা অপূনবা লূপ (ইকল), এক্সত্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলি এসোসিএসন মণিপুর (ইভফম), হ্যুমেন রাইটস এলার্ট (ঐচ আর এ), লিগ ওফ ইন্দিজিনিস পিপলস অপলিফ্টমেন্ট (লিপুন), লৌমী-শিন্মী অপূনবা লূপ (লৌসাল), ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক), য়ুজরস সোসাইটি ফোর ইফেক্টিভ রেস্পোন্স (য়ুজর), ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্ট (ৱাসিদেব), ওল মণিপুর সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ, য়ুনাইটেদ ভলন্টরি য়ুথ কাউন্সীল (য়ু ভি ৱাই সী), ব্রিদজিং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (বি এস দি) অমসুং ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)গী মীহুৎশিংনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না হৌখিবা ওক্টোবর ১৫দা নার্কোটিক্স দ্রগস এন্দ সাইক্রোট্রোপিক সবষ্টেন্সেসকা মরী লৈনবা ক্লাস তৌখিবা অসি কন্দেম তৌই। মণিপুর ষ্টেট দ্রগ পোলিসীবু পব্লিক দোমেন্দা পুথোক্তুনা খন্নরিঙৈ চৈরক অসিদা য়াম্না হাথু-হাথুবা মওংদা ওর্দিনান্স অমা পুথোরকখিবা অসি দ্রগ লল্লোনবশিংবু মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্ননবগী ইস্যুশিং অসি দাইভর্সন তৌনবা টেক্টিসনি অমসুং লাক্লিবা মরক্কী মীখল অসিদা পোলিটিকেল প্রোপেগন্দা তৌনবনি হায়না লৌই।

চেরোল অসিনা হায়, নার্কোটিক্স দ্রগ এন্দ সাইক্রোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মীফম পাঙথোক্তুনা রিভিয়ু তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমারনা চ্যের লৌদুনা ওফিসলশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোক্তুনা রিভিয়ু তৌখ্রে।

এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্স মেম্বরশিং য়াওরগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) কী মায়কৈদগী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগী কেপাসিটি হেনগৎহন্ননবা ৱাফম পুখৎখি। জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ-১৯গী লায়ওং উৎপা অমদি সেরিয়স ওইবা অনাবশিং লায়েংননবা ফমুং মশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# চীফ মিনিষ্টরনা ইরিগেসন অমসুং ৱাটর রিছোর্সেসকা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিংগী দেসবোর্দ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ইরিগেসন অমসুং ৱাটর রিছোর্সেসকা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিংগী দেসবোর্দ লোঞ্চ তৌখ্রে।



সী এম সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাটর রিছোর্সেস অমসুং মাইনর ইরিগেসনগী কম্মিস্নার জাসিন্থা লাজারসনা ইরিগেসন অমসুং ৱাটর রিছোর্সেসকা মরী লৈননা লৈঙাক্না পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংগী ওইবা দেসবোর্দ অদুগী মরমদা শুগাইবা ৱারোল থমখি।

থৌরম অদুদা ৱাটর রিছোর্সেসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রো, এদভাইজর টু চীফ মিনিষ্টর (হেল্থ) ডা. সাপম রঞ্জন, ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চ্যেরমেন এল রামেশ্বর, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরমেন হৈখাম দিঙ্গো, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমার, এদিসনল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মীয়ামগী য়াইফনবা খন্দবা পাৱরখক পান্বশিং পারা তন্বীরসি : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : মীয়ামগী য়াইফনবা খন্দবা পাৱরখক পান্বা মীওইশিং হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিদা মীয়াম্না পারা তন্বীরসি হায়না এম পি সী সীগী মীদিয়া কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

সাইটুগী খোলেপ ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হায়খি, এক্স-এম এল এ ঙমথং হাওকিপ পোলিটিক্স অমসুং পাৱরগীদমক খন্দুনা লৈবা মীশকনি। মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং পায়খৎপদি কাউখ্রে। সাইটু এ সীগী নহাশিংনা থবক ফংদবগী মায়োক্নরিবা প্রোব্লেমশিং কোকহন্ননবা হোৎনবসু লৈখিদে। পাৱর পায়ননবা হোৎনবদা সাইটু এ সীগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং করিনো হায়বা কাউখ্রে। মসিমক সাইটু এ সীগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবনি। সাইটু এ সীগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি নহাশিংনা থবক ফংদবগী মায়োক্নরিবা ইস্যুশিং অসি কোকহনবা হায়বসি নহা ওইরিবা ডা. লমতিনথাং হাওকিপপু মীখল অসিদা মায় পাকহল্লবা মতুংদা ঙমগনি। মরম অসিনা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইরিবা লমতিনথাংবু মীখল অসিদা সাইটু এ সীগী মীয়াম্না মায় পাকহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা আই এন সীগী মীরেপ ওইরিবা ডা. লমতিনথাং হাওকিপনা হায়খি, লমদম ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# বাই ইলেক্সননা কোভিদ-১৯ পাক্তক্না শন্দোরকহনগনি হায়বগী মতাংদা কম্মিসননা কেস লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : ঙসি ইম্ফালদা নুংতিগী অয়ুক্তা ফোঙবা পাউচে অমগী অহানবা লামায়দা 'বাই-ইলেক্সননা লাইচৎ পাক্তক্না শন্দোক্লবা মচাক ওইহল্লে' হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা পাউ অমা ফোঙলকপগা মরী লৈননা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)না সু মোটু কেস অমা লৌখৎলগা মসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

কেস অসি কম্মিসনগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ৱাকৎলকপদগী সু-মোটু কেস নম্বর- ৪ ওফ ২০২০ ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুর, কম্মিস্নার (হেল্থ) অমসুং দিরেক্টর (হেল্থ) নি। কেস অসিগী প্রোসিদিং ঙসি কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা মসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা রিপোর্টশিং পীখৎলক্কবা খঙহনখ্রে।

ঙসিগী প্রোসিদিংনা মথং থাগী ৭তা বাই-ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাঙ্গৈই, লিলোং, ৱাংজিং-তেন্থা, সিংহাট অমসুং সাইটু এ সীশিংগী ইলেক্সন কেম্প্যেনশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ইস্যু তৌবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্না চথদ্রে হায়বগী মতাংদা খন্নখি। মসিনা মরম ওইরদুনা এ সী মঙাগী মীয়ামদা কোভিদ-১৯ পাক্তক্না শন্দোরকহল্লগনি হায়বগী মতাংদসু খন্নখি।

থৌওং অসি কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২১ না পীবা রাইট টু লাইফ অমসুং রাইট টু হেল্থকী মায়োক্তনি হায়দুনা কেস অসি সু-মোটুদা লৌখৎপনি হায়রি। ঙসিগী প্রোসিদিংনা মরক্কী ওইনা পীখিবা দিরেক্সন অমদা খুদক্তগী এ সী মঙাসিদা এস ও পি ঙাক্লা চৎনহন্নবসু কম্মিসন্না খঙহনখিবগা লোয়নননা মসিবু থবক্তা ওন্থোকপগী রিপোর্টসু থা অসিগী ২৯ দা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা পীরক্কবা খঙহনখি।

# রিজাইন তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ ৩গী কেসকী আর্গ্যুমেন্ট চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোকপা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনদা বি জে পিগী এম এল এশিং ওইনা কারকখিবা মীওই অহুম্না ফমসিদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুং মখোয়গী রিজিগনেসন লেট্টরশিংবু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দরবু শীংনরকখিবা সিভিল রিট পিটিসনশিংগী আর্গ্যুমেন্ট মখা চথখ্রে।


এম এল এ ওইরম্বদগী রিজাইন তৌখ্রবশিংনা সাম্যুল জেন্দাই, টি থাংজালম হাওকিপ অমসুং সোইবম সুভাসচন্দ্রনি। মখোয় মশানা পিটিসনরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকপদগী হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা খন্নরকপদগী হৌজিক পার্ট হার্দকী থাক্তা য়ৌরক্লবা কেসশিং অসি ঙসিসু জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা পিটিসনর এক্স-এম এল এ অহুমগী মায়কৈদগী লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী মরক্তগী আর্গ্যুমেন্ট সবমিসন মখা তানা তৌখি। অদুম ওইনমক ঙসি লোইশিনবগী তাঞ্জা ফংখিদবদগী কেসশিং অসিগী ৱায়েল থা অসিগী ২২ দা মখা তানা চথনবগীদমক নুমীৎসিদা ফিক্স তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

অমরোমদা, ককচিং এ সীগী এক্স-এম এল এ য়েঙ্খোম শুরচন্দ্রগী মথক্তা ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন ...মখা লামায় ৩ কলম৪

# মহৈরোয় লুপ তরুকনা তাল্লিবা দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোরক্তিবা ফাওবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ১৮দা মহৈরোয় লুপ ৬না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎপু লাকশিন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা লৈঙাক্না তৌবিগদবনি হায়না দিমান্দ ১২ য়াওবা প্রপোজেল অমা মীদিয়া থোংদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবা পাঙথোকপীরক্তে হায়বগী মায়োক্তা মহৈরোয় লুপ ৬কী লুপলোইশিংনা অনীরকশুবা ওইনা কৈশামপাৎ জঙ্কসনদা ৱাকৎ মীফম চৎথখ্রে।




ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারম্বা ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি য়াম্না শাথিবা মওং অমদা নোংমদা মীওই ৩০০দগী ৪০০ হেন্না কোভিদ পোজিটিভ ওইরক্লিবা অসি মহৈরোয় লুপ এ আই এম এস, এমসু, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ অমদি সুকনা য়াম্না লুম্না লৌই। মরম অদুনা মহৈরোয় লুপ ৬না পীশিনখিবা দিমান্দ ১২ অদু অথুবা মতমদা লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোকপিরকউ। করিগুম্বা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তগদি মহৈরোয় লুপ ৬কা লোয়নন্না লমদম অসিগী সী এস ওশিং, ক্লব-ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বি ইমাশিং অমদি লৈবাক মীয়াম ...মখা লামায় ৩ কলম ২



HL-B/6441/7th Oct. to 5th Nov.